পি এম চৈবা পোষ্টর নপ্লম্বশিং ফারে

ন্যু দেল্লী, মে ১৪ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ইকায়বা পীনবা মওংদা ফজদবা কমেন্টশিং য়াওবা পোষ্টরশিং নপ্লম্বগী মরালদা মীওই মরি শগোলশেন নুমিত্তা দেল্লী পুলিসনা ফাখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না, মীওই মরি ইষ্ট দেল্লীগী কলয়ানপুরিদগী ফাখি। মখোয় এ এ পিগী কাওন্সিল্লর বিরেন্দ্রকুমারগী মহুৎ শিন্দুনা পোষ্টরশিং অদু থেৎলম্বনি। কাওন্সিল্লর অসি হীরম অসিগা মরী লৈনব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, প্রাইম মিনিষ্টরবু চৈথাংবা ফজদবা ৱাহে-ৱাতাশিং য়াওবা পোষ্টরশিং দেল্লীগী মফম কয়াদা নপ্লে হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ ফংখি। ইনপুট অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসর পূন্নমক্তা পাউ পীখি। এফ আই আর ১০রোম রেজিষ্টর তৌরে অমসুং পুলিসনা কমপ্লেন্ট কয়া ফংলবা মতুংদা অহেনবা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনরি।

ওক্সিজেন সিলিন্দর পৈশিন্দুনা থম্বশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা পি এমনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৪ (এজেন্সী):

নারোন্দা শেন্দোং চাওনা তান্নবগীদমক কন্সেন্ট্রেটেদ ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং পৈশিন্দুনা থম্বা মীওইশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট খূদিংমক্তা দিরেক্সন পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা দিরেক্সন অসি প্রধাণ মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি (পি এম-কিসান) স্কিমগী মখাদা ইন্সটোলমেন্ট নিপাল থোক্লা পীগদবা লুপা ক্রোর ১৯,০০০গী ফাইনান্সিএল বেনিফিটশিং লোঞ্চ তৌরবা মতুং লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি। স্কিম অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফর্ষ্ট টাইম বেনিফিসরিশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী লৌমী ক্রোর ৯.৫ হেনবদা কান্নবা ফংহনগনি।

ইন্দিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী দিভিজন অহুমক্না হায়বদি ইন্দিয়ন

আর্মি, ইন্দিয়ন নেভি অমসুং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা ফাওবা মীওইববু থৌগল তৌরিঙৈ কোভিদ-১৯ ক্রাইসিস মরকসিদা মীওই খরনা শেন্দোংগীদমক্তা থৱায় কনবদা য়াম্না মথৌ তারিবা পোৎশক অসিবু নারোন্দা য়োনবা হায়বসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি।

আর্মদ ফোর্সেসনা মথৌ তাবশিংদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংলিঙৈ অমসুং ওক্সিজেন ট্রেনশিংনা ওক্সিজেন সিলিন্দর লেপ্তুনা হোল্লিঙৈসিদা অসুম্না শেন্দোংগীদমক ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং পৈশিল্লিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা ষ্টেটশিংনা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কন্সেন্ট্রেটেদ ওক্সিজেন ৱাৎপগী অরুবা প্রোব্লেম লৈনরবসু মীওই কয়া থৱায় কনবা ঙম্বা গ্যাস অসিবু পৈশিন্দুনা থম্বগীদমক ফাখি।

চৈরকসিদা কোভিদ-১৯ শন্দারকপা থিংনবা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈবগা লোয়ননা লায়না অসি লাকশিনবদা মতেং ওইগদবা থৌরাং খূদিংমক চেকশিন্না ইন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা খুঙ্গংগী মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে। মহাক্না মাস্ক শীজিন্নবা, কোভিদকী লাইওংশিংবু লুনা লৌনবা, কোভিদ টেষ্ট তৌনবা, কোভিদ রিপোর্ট নেগেটিভ ওইদ্রিফাওবা অমসুং ভেক্সিন কাপত্রিফাওবা চেকশিন থৌরাং ঙাক্লবসু আপীলতৌখি।

কোভিদ-১৯ মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা মীয়াম্না শরুক য়াবা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১৮ লোম কাপখ্রে।

গোৱাদা ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপদগী নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা মীওই ৭৫ শিখ্রে

পানাজি, মে ১৪ (এজেন্সী):

ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা গোৱাগী এপেক্স গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল গোৱা মেদিকেল কোলেজদা কোভিদ পেসেন্ট ১৩ শিখিবগা লোয়ননা প্রেমিয়র হোস্পিটাল অসিদা নুমিৎ মরিনিগী নোংঙাল্লমদাই পূং ২ অমসুং অয়ূক পূং তরুক্কী মনুংদা শিখিবা মী মশিং ৭৫ শুরে।

মেদিকেল কোলেজ অসিগী ৱার্দ কয়াদা পেসেন্টশিং, মরী-মতাশিংনা মতেং পীবগী ভিদিওশিং ভাইরেল ওইখি। ৱার্দ নম্বর ১৪৫গী ভিদিও অমদা পেসেন্টশিং মনাক্তা ওক্সিজেন মোনিটরশিংগা লোয়ননা ফক্তা হিপ্তুনা লৈবা অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপা উখি। ভিদিও অদুদা ৱার্দ অদুগী কাচিন অমদা শীজিন্নখ্রবা ফূদ জেকেটশিং য়াওনা অমোৎ-অকাইশিং পৈদুনা লৈবসু উখি।

পেসেন্ট অমগী মরী মতানা কাপ্পা ৱার্দ নম্বর ১৪৭কী ভিদিও অমদা ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ৱার্দ অদুদা মীওই তরেৎ মথং মথং শিবগী কমপ্লেন তৌবা উখি। গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন সপ্লায় মরাং কায়না লৈরি হায়দুনা মীয়ামগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খন্নরি হায়না মরী-মতা অদুনা ফোঙদোকখি।

গোৱা ফোরৱার্দ পার্টিগী ওপোজিসন এম এল এ বিজয় সারদেসাইগী মতুং ইন্না, নোংয়াই মতুং পূং ২ অমসুং অয়ূক পূং ৬কী মনুংদা মী খ্বাইদগী হেন্না শিগল্লি। থংন-থংননা হৌখিবা অহিং মরিদা মীওই ৭৫ শিখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মে ১০দা পূং মরিসিগী মনুংদা মীওই ২৬ শিখি অমসুং মে ১১দা ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা মীওই ২১ শিখি। প্রেমিয়র হোস্পিটাল অসিদগী কোভিদ ওক্সিজেন মেনেজমেন্টকী অশোয়বশিংগা মরী লৈননা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসনগী হীয়ারিং চথুরিবা বোম্বে হায় কোর্টনা গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংদা তকখৎনরবসু কোভিদ পেসেন্টশিং শিবা লেপখিদে। মে ১২গী অঙনবদা ১৫ শিখি অমসুং মে ১৩গী অঙনবদা মীওই ১৩ শিখি।

গোৱাদা গভর্ণমেন্ট মপূং ফানা ফেল ওইবগী ফিভম লৈরে। হায় কোর্টনা মীৎয়েং চঙবা লৈনা লৈনা মী শিরি। গভর্ণমেন্টনা ফোটো ওপস অমসুং মখোয়বু এক্সপোজ তৌবশিংগী মায়োক্তা কেস ফাইল তৌবা নত্তনা অতৈ অমত্তা তৌদবনা গভর্ণমেন্টকীদি হায় কোর্টনা রুল তৌবনা হেন্না ফরে হায়না সারদেসাইনা মখা তাখি।

জেল মনুংগী গেং ৱারদা অন্দর ট্রাইএল অহুম শিরে

চিত্রাকুট, মে ১৪ (এজেন্সী):

সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈবা চিত্রাকুট জেল মনুংদা ইরাই নুমিত্তা গেং মশেল খূৎ থোক্লবদা অন্দরট্রাইএল অহুম শিখ্রে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, অন্দরট্রাইএল অন্সুল দিক্সিটনা নোংমৈ কাপ্পদা অতোপ্পা গেংষ্টর মুকীম কালা মফমদুদা খুদক্তা শিখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা শোকখিবা মিরাজ উদ্দিন কৌবা অতোপ্পা ক্রিমিনেল অমসু কোন্না শিখি। মিরাজউদ্দিন অসি মাফিয়া দোন অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী এম এল মুখতার অন্সারিগা নকশিন্নবা মীওইনি। পুলিসনা দিক্সিটতা সরেন্দর তৌনবা হায়খি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না পুলিসতসু কাপখি। মহাক পুলিসনা হন্দুনা কাপ্পদা শিখি। থৌদোক অদুদা জেল মনুংদা নোংমৈ রাওন্দ কয়া কাপখি।

দিক্সিটনা সরেন্দর তৌনবা হায়খি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না পুলিসতসু কাপখি। মহাক পুলিসনা হন্দুনা কাপ্পদা শিখি। থৌদোক অদুদা জেল মনুংদা নোংমৈ রাওন্দ কয়া কাপখি।

দিক্সিটনা গেংষ্টর মুকীম কালা হাৎপদা কন্ত্রিমেদ নোংমৈ অমা শীজিন্নখি। চিত্রকুটকী এস পি অনকিট সিট্টলনা ফোঙদোরকপদা খূৎলায় অদু করম্না জেল মনুংদা য়ৌখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা ইনক্কারি তৌরগনি। বরেক খূদিংমক্তা থী-হুম্বা চথুরি। মসি গেংষ্টর অমনা জেল মনুংদা অতোপ্পা গেংষ্টর অমা হাৎপগী অনীশুবা থৌদোক্নি।

মমাঙদা কুমজা ২০১৮গী জুলাইদা বাঘপট জেল মনুংদা মুন্না বাজ্রঙ্গি কৌবা গেংষ্টর অমা সুনিল রাথি কৌবা অতোপ্পা ইনমেট অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

এপ্রিল ১০ মতুংদা দেল্লীগী কেস মশিং অহানবা ওইনা লিশিং ১০ য়ৌদ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৪ (এজেন্সী):

হৌজিক পূং ২৪গী মনুংদা দেল্লীদা অনৌবা কোভিদ ইনফেক্সন ৮,৫০০ থেংনখিবগা লোয়ননা থা অমা হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা নেসনলা কেপিটেলদা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং ১০,০০০ য়ৌখিদ্রে। পোজিটিভ ওইবগী চাং নুমিৎ অসিদা চাদা ১২দা হন্থখি।

হৌখিবা এপ্রিল ১০দা সিটি অসিদা নোংমদা কেস ৭,৮৯৭ রিপোর্ট তৌখি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং মখা তানা হন্থরক্তুনা ইরাই নুমিত্তা চাদা ১২দা লৈখি। মসি এপ্রিল ১৩গী মতুংদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী নেম্বা চাংনি।

দেল্লীদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোংমদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশিং হন্থরকখ্রবসু হৌজিকসু হোস্পিটালশিংদা অরুবা পেসেন্ট কয়া লৈরি। হৌজিক দেল্লীগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্টশিংগী বেদ ৩,০০০ লোম হাংলে। অদুম ওইনমক হোস্পিটাল অয়াম্বগী আই সী য়ু বেদশিংদি মী হাংদ্রি। নুমিৎ নীনিগী মনুংদা পূন্না অনৌবা আই সী য়ু বেদ ১,২০০ শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না দেল্লীগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

দিজিটেল প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা হায়, দেল্লীগী সিটিজনশিংগী অচেৎপা ফিরেপ্পা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা নেসনল কেপিটেলদা কোভিদ ইনফেক্সন হন্থরকপা উরে। মীয়াম্না কোভিদ লোকদাওনগী রুলশিং চেকশিন্না ইনখি অমসুং দেল্লীসু কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংবা ঙম্মী হায়বসি উৎখি। পেন্দমিক অসিবু থেংনবা হায়বসি হৌজিক্কী ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক্নি। লাক্কদৌরিবা শিংনবা কয়া মায়োক্লনবা ঐখোয়না মখা তানা শেম-শাবা মথৌ তাই।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইমুং কয়া মীওই অমা নৎত্রগা অনীদগী হেন্না লৈখিদ্রে। অঙাং কয়া মখোয়গী অহল লমনশিং কায়নখ্রে। সিনিয়র সিটিজন কয়াসু পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা ইমুং পুরিবা মীওইশিং লৈখিদবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে।

দেল্লী গভর্ণমেন্টনা মমা-মপা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংবু য়েংশিনগনি অমসুং ইমুং পুরম্বা মীওইশিং লৈখিদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা সিনিয়র সিটিজন খূদিংমক্তা শেলগী মতেং পীরগনি হায়না কেজ্রিৱালনা মখা তাখি।

পুলিসনা এম্বুলেন্স হলহনবদগী পেসেন্ট ২ শিরে

হাইদরবাদ, মে ১৪ (এজেন্সী):

ইন্টরষ্টেট বোর্দর লান্নবগী ভেলিদ পর্মিট য়াওদবগীদমক টেলঙ্গনা পুলিসনা অন্ধ্র প্রদেশকী এম্বুলেন্স অনী বোর্দর লানহন্দনা হলহনখিবদগী গাড়ীশিং অদুনা পুরিবা কোভিদ পেসেন্ট অনী লমখাংদা লৈখিদ্রে।

বোর্দর লানবা থিংবদগী পেসেন্ট অনী শিখিবগী থৌদোক অসি ইরাই নুমিত্তা নেসনল হায়ৱে-৪৪গী পঞ্চালিঙ্গলম চ্যেকপোষ্টতা থোকখিবনি। মীওই অনী অদু নন্দিয়াল অমসুং কুরনূলদগীনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তগী য়ামদ্রবদা অন্ধ্র প্রদেশতগী লাকখিবা এম্বুলেন্স ৪০ ষ্টেট বোর্দর লান্নবা হোৎনবদা অথিংবা পীদুনা পুলুর টোল প্লাজাদগী নমদুনা হলহনখি। এম্বুলেন্সশিং অদু হায়দরবাদ তম্না লাকখিবনি। মান্নবা ফিভম অমদা সুরয়াপেটকা নক্নুনা লৈবা রামাপুরমগী মনুং চনবা বোর্দর পোষ্ট লান্নবা হোৎনবগী থৌদোকসু লৈখি। টেলঙ্গনা পুলিসকী ওফিসলশিংনা এম্বুলেন্সশিং অদু মথৌ তাবা ওনলাইন পর্মিটশিং য়াওরক্তবদগী বোর্দর লানহনখিদবনি হায়খি।

উত্তর প্রদেশতা কোভিদ কেস হন্থরক্লে পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১৭তগী চাদা ৭তা হন্থরে

লক্ষ্ণৌ, মে ১৪ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী কোভিদ-১৯ কেস মশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নেমথরকখিবগা লোয়ননা টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবগী চাং থংন-থংননা নুমিৎ মরিনি চাদা ১০গী মখাদা লৈখি অমসুং শগোলশেন নুমিত্তা চাদা ৭ য়ৌফাৎতনা লৈখি। পোজিটিভ হন্থবগী চাং অসি এপ্রিল ২৪দা চাদা ১৬.৮৪ ওইরম্বদগী পার্সেন্টেজ পোইন্ট ১০ রোম্নি।

টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবা চাং হায়বসি অপূনবা টেষ্ট মশিংগী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা কেস মশিং অদুবুনি। মসিনা ইনফেক্সনগী রেট হায়বদি কয়াম য়াংনা ভাইরস শন্দোক্লিবগে হায়বদু উৎলি। চয়োল অনীরোমগী মমাঙদা নুমিৎ খরনি কেস মশিং খরা খজিক হন্থরকপগী মওং লৈখিবা ওইরবসু টেষ্ট মশিং হন্থখিবা ওইবনা পোজিটিভ রেট ৱাংখি হায়না লৌবা য়াই। অদুম ওইনমক, হন্দক্তি টেষ্ট মশিং হন্থবা লৈতে। অদুনা অনৌবা কেস মশিং হন্থরক্লিবসিনা ইনফেক্সনগী চাং হন্থরে হায়না পাবা য়াই।

গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সেম্পল লাখ ২.৫৩ টেষ্ট তৌখি অমসুং হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা রিপোর্ট তৌখিবা কেস মশিং ১৭,৭৭৫তা হন্থখি। অদুম ওইনমক শিবগী চাংগী মতাংদা হৌজিকসু নুংনাংনিংঙাই ওইরি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা কোভিদকা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮১ শিখি। ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী বুলেটিন মতুং ইন্না, কেপিটেল লক্ষ্ণৌদা পেসেন্ট ৩৫ শিখি, কানপুর নগরদা মীওই ১৬ শিখি অমসুং মীরুটতা মীওই ১৫ শিখি।

ষ্টেট অসিনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ফিভম শীংথানিংঙাই ওইনা ইমপ্রুভমেন্ট লৈখি। হৌখিবা নুমিৎ ১২ অসিদা এক্টিভ কেস মশিং লাখ ১.০৬ হন্থখি। হোম আইসোলেসন তৌবশিং য়াওনা মতম অসিদা কোভিদ পেসেন্টশিং থুনা ফগৎলকখি। ষ্টেট অসিগী এক্টিভ কেস মশিং লাখ ২.০৪ রোম হন্থরে। টেষ্ট, ট্রেস অমসুং ট্রিট ষ্ট্রেটেজিগী শরুক অমা ওইনা কোভিদকী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং চঙশিল্লকখি। ষ্টেট ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না, ষ্টেট অসিনা কোভিদ টেষ্ট মিলিয়ন ৪৩গী মথক্তা পাঙথোকখ্রে।

গ্রেনেদ ১১ লৌখৎখ্রে

চান্দিগর, মে ১৪ (এজেন্সী):

পঞ্জাবকী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইন্টরনেসনল বোর্দর (আই বি)না নক্নুনা লৈবা লৌবূক অমদগী পাকিস্তানি দ্রোন অমনা থাদরম্বা ওইরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবা গ্রেনেদ ১১ পঞ্জাব পুলিসনা লৌখৎখ্রে। কন্সাইনমেন্ট অদু গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোর্দরদগী কিলোমিটর অমরোম লাপ্পা সালা ভিলেজগী লৌবূক অমদা লৈরম্বা থেংনখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র ওফ পুলিস রাজিন্দর সিংহ সোহালনা ফোনদা ফোঙদোরকখি। গ্রেনেদশিংদু বোক্স অমদা পুল্লপ য়াওরমখি। গ্রেনেদ খূদিংমক উগী ফ্রেম অমদা ফিক্স এটেচ তৌই। বোক্স অদু শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা থেংনখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ওজা ABDUL HAK, PILES
কি কবিরাজপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Piles কী অনাবনা মরম ওইদুনা ঐহাক মতম কুইনা অৱাবা খাংলকখি। খোং হাম্বদা কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙদা চেখাইরগা থুপ্পা, শাবা, শৌজ নাম্থরকপা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, Gastric কাবা, খ্বাং নাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবনি। পূন্নমক অসি ঙসিদি ওজা Abdul Hak কী মনাক্তা চত্তুনা ওজাগা তানজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা Piles নাবগী অৱাবা পূন্নমক অদু কোক্লে। মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak পু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবিখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
8794429681, 8014623756

থাগৎচরিবা : **I. Birla**
Thoubal Bazar

HL-P/9659/15

দি এম কে গভর্ণমেন্টনা আই পি এস ওফিসর ১৫ ট্রান্সফর তৌখ্রে

চেন্নাই, মে ১৪ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী দি এম কে গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিত্তা আই পি এস ওফিসর ১৫ ট্রান্সফর তৌখ্রে। মে ৭তা দি এম কে গভর্ণমেন্টনা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী আই পি এস ওফিসরশিং ট্রান্সফর তৌবা মসিনা অহুম্লকশুবনি।

দি জি পি প্রথীপ ভি ফিলিপ ট্রান্সফর তৌদুনা টামিল নাদু পুলিস একাদেমিগী দিরেক্টর ওইহনখি অমসুং এ দি জি পি জয়ান্থ মুরালিবুনা চেন্নাইগী আর্মদ পুলিস য়ুনিটকী মকোক ওইহনখি।

হান্নগী চেন্নাই সিটিগী পুলিস কম্মিস্নর মহেশ কুমার অগারৱাল চেন্নাইগী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি)গী ফম পায়হনখ্রে। অমরোমদা, এ দি জি পি অবাশ কুমারনা সী আই দিগী ইকনমিক ওফেন্সকী মকোক ওইরগনি অমসুং ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি আর), আর ধিন্দকারননা সী আই দিগী ইকনমিক ওফেন্স ৱিংগী আই জি পি ওইরগনি। আই জি পি, ঐচ এম জয়ারাম চেন্নাইগী টামিল নাদু য়ুনিফোর্ম সর্ভিসেস রিক্রুটমেন্ট বোর্দ (টি এন য়ু এস আর বি)গী আই জি পি ওইহনখ্রে অমসুং আই জি পি জে লোগানাথনবুনা আর্মদ ফোর্সেস য়ুনিটকী আই জি পি ওইহনখ্রে।

হাংদুনা লাকপা ফম অসি মেনশিল্লদুনা দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এম রাজেন্দ্রনা টেক্নিকেল সর্ভিসেসকী দি আই জি ওইহনখ্রে। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি)দা মুর্থি ট্রান্সফর তৌদুনা সালেম সিটিগী ক্রাইম অমসুং ট্রাফিক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (দি সী পি) ওইহনখ্রে।

এস পি সেনথিলবুনা টুটিকোরিনদা লৈবা পুলিস ট্রেনিং রিক্রুট স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইহনখ্রে। এস পি, এম এস মাগেশৱারন ট্রান্সফর তৌদুনা মদুরাইদা ইনফোর্সমেন্ট য়ুনিটকী এস পি ওইহনখ্রে। এস পি অরা অরুলসারুবুনা দি জি পি ওফিসতা এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ আই পি), লো এন্দ ওর্দর ওইদুনা পোষ্টিং পীখ্রে।

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ/CONDOLENCE
অৱাবা ফোঙদোকচবা

Haobam Marak H.A. High School দা মতম শাংনা ওজা ওইবীরম্বা অমদি Head Master (I/C) কী থৌসু পুবীরম্বা Shri Salam Tombi Singh না খঙহৌদনা হৌখিবা 12th May, 2021, Wednesday নুমিৎতা ঐখোয় পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা মপু মহাক্কী মফমদা চঙজখ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা মহাক্কা লোয়নরম্বা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা Minute অনী তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবসু থৌনিজিখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা লৈহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- **Staff Members of**
Haobam Marak H.A. High School

HL-P/9196/B/15

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/
অৱাবা ফোঙদোকপা

ইয়াম্বা শ্রী সাইখোম তিকেননা লৈখিদবসি মণিপুর বি জে পিগীদি ঙাল্লবা মৈ অমা মুৎখিবগুম্বনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মণিপুরদা চাউখৎপগী লমজেল তপথনবগী মচাক অমনি। নম্বোল মায়কৈগীদি ৱাখল থোক্তবা নুমীৎ অমনি। ঐ মক্কীদি মৈচাক অমা ফংবা নুমীৎনি। ইয়াম্বগী মফমদা I.N.A. Japanese Reception Association গী President শিন্নবগীদমক ইয়াম্ববু উননবগী ঙাইদুনা লৈবা মতমনি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **জি মনিচৌবা শর্ম্মা**
Founder General Secretary,
I.N.A. Japanese Reception Association
9383158326

HL-P/9748/15

কোভিদকী হীদাক, ওক্সিজেন সিলিন্দরগী মরমদা হংখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১৪ (এজেন্সী):

দেল্লী পুলিসকী ওফিসর খরা ইরাই নুমিত্তা ইন্দিয়ন য়ুথ কোংগ্রেস (আই ৱাই সী)গী ওফিসতা লাক্তুনা কোভিদ পেসেন্টশিংদা হীদাক লাংথক, ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পীবগী থবক করম্না চথুরিবগে হায়বনচিংবা হংখ্রে। আই ৱাই সীগী মেম্বরশিংগী মতুং ইন্না দেল্লী পুলিস ক্রাইম ব্রাঞ্চ টিমগী ওফিসর খরা অয়ুক পূং ১১ তাবদা সেন্ট্রেল দেল্লীগী রাইসিনা রোদতা লৈবা আই ৱাই সী ওফিসতা থুংখি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা আই ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট শিনিভাস ভিভিনা হায়, মখোয় কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা য়ূম্ফম ওইরগা ঐখোয়না অৱাবা নংলবা মীওইশিংবু করম্না মতেং পাংলিবগে হায়বা হংবা লাকখি। ঐখোয়না অকুপ্পাশিং পুলিসতা খঙহনখি। আই ৱাই সীগী মতুং ইন্না, পুলিসনা মখোয়দা কন্দায়দগী ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং হীদাক-লাংথকশিং লৌরিবগে, এম্বুলেন্স সর্ভিস করম্না মেনেজ তৌরিবগে অমসুং লাইচৎকী চৈথেং নংলবা মীওইশিদা করম্না চান-থরুবা ফংহল্লিবগে হায়বনচিংবা হংখি।

হীদাক, ওক্সিজেন ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বা মীওই ৭৫ ফারে

ভোপাল, মে ১৪ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাক অমদি ওক্সিজেন পোৎয়ান তৌবগা লোয়ননা নারোন্দা য়োল্লম্বা মীওই মঙা মধ্য প্রদেশ পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

ওক্সিজেন, রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন অমদি অতৈ ইসেন্সিএল হীদাক লাংথকশিং পোৎয়ান তৌবগা লোয়ননা আইটেমশিং অসিবু ব্লেক মার্কেটিং তৌবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা মধ্য প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ফাবা পুনবগী অচৌবা কেম্পেইন অমা লোঞ্চ তৌখি। ব্লেক মার্কেটিং তৌবশিংগী মায়োক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) ফাওবা শীজিন্নরি। রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সনশিং ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বা মীওই ৭৫ জেলগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা এন এস এ পানখ্রে। মীওই তরুক্না প্রিভেন্সন ওফ ব্লেক মার্কেটিং এন্দ মেন্টেনেন্স ওফ সপ্লায়জ ওফ ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্টকী মখাদা ফাখি।

মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বগীদমক মীওই কয়াগী মায়োক্তা এন এস এ কেসশিং লৌখৎখ্রে। ইন্দোর দিষ্ট্রিক্টতা কেস ৯, উজ্জৈইনদা কেস ৯, গ্বালিয়র, সাহদোল অমসুং জবলপুরদা কেস ৪/৪, ভোপালদা কেস ২, ধারদা ২ অমসুং মন্দসুর, চিন্দৱার অমদি রতলামদা এন এস এ কেস অমমম পানখি।

ইন্দোরদা কন্সর্ন দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট এন এস এ ওর্দর ৩০ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৮ ফাখি অমসুং কেপিটেল ভোপালদা রেমদেসিভির ইঞ্জেক্সন ব্লেক মার্কেটিং তৌবগী মরালদা মীওই নিপাল ফাখি।

প্রিভেন্সন ওফ ব্লেকমার্কেটিং এন্দ মেন্টেনেন্স ওফ সপ্লাইজ ওফ ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্টকী মখাদা জবুলপুর অমসুং উজ্জৈইনদা কেস অনী ফাইল তৌখি অমসুং সাগর দিষ্ট্রিক্টতা কেস অমা ফাইল তৌখি। সটনা দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ওক্সিজেন ব্লেক মার্কেটিং তৌবগী মরালদা মীওই তরুক ফাখি। এন এস এগী মখাদা এক্যুজশিং থা ১২ জেলদা থম্বা য়াই অমসুং প্রিভেন্সন ওফ ব্লেক মার্কেটিং এক্টকী মখাদা এক্যুজশিং থা তরুক জেলদা থম্বা য়াই।

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	52,70,000+42,582	46,50,000+54,535	78,857+850
Karnataka	20,90,000+35,297	14,70,000+34,057	20,712+344
Kerala	20,50,000+39,955	16,10,000+33,733	6,150+97
Uttar Pradesh	15,80,000+17,745	13,60,000+19,425	16,646+277
Tamil Nadu	15,00,000+30,621	13,00,000+19,287	16,768+297
Delhi	13,70,000+10,489	12,70,000+15,189	20,618+308
Andhra Pradesh	13,70,000+22,399	11,60,000+18,638	9,077+89
West Bengal	10,70,000+20,839	9,31,000+19,181	12,857+129
Chhattisgarh	8,92,000+9,121	7,62,000+12,274	11,289+195
Rajasthan	8,22,000+15,867	6,03,000+12,929	6,317+159
Gujarat	7,25,000+10,742	5,94,000+15,269	8,840+109
Madhya Pradesh	7,09,000+8,419	5,94,000+10,157	6,753+74
Haryana	6,65,000+12,286	5,56,000+16,041	6,238+163
Bihar	6,30,000+7,752	5,30,000+11,008	3,593+90
Odisha	5,76,000+10,649	4,82,000+8,665	2,251+19
Telangana	5,16,000+4,693	4,57,000+6,876	2,867+33
Punjab	4,76,000+8,410	3,85,000+8,237	11,297+186
Assam	3,16,000+5,468	2,70,000+4,219	1,984+75
Jharkhand	3,06,000+4,991	2,53,000+6,882	4,290+108
Uttarakhand	2,72,000+7,127	1,89,000+5,783	4,245+122
Jammu and Kashmir	2,34,000+4,356	1,78,000+2,995	2,967+55
Himachal Pradesh	1,51,000+4,937	1,09,000+3,820	2,131+63
Goa	1,30,000+2,491	95,240+2,266	1,937+63
Puducherry	78,973+1,942	61,336+912	1,069+24
Chandigarh	53,393+760	44,343+837	609+10
Chandigarh	53,393+760	44,343+837	609+10
Tripura	39,606+552	35,146+200	426+2
Manipur	37,596+560	31,491+253	536+10
Meghalaya	21,576+591	17,582+228	268+18
Arunachal Pradesh	21,110+256	18,871+180	72+3
Nagaland	17,256+366	13,528+100	177+12
Ladakh	15,916+109	14,208+106	161+3
Sikkim	10,623+231	7,485+142	192+9
Dadra and Nagar Haveli and Daman and Diu	9,257+107	8,197+111	4
Mizoram	8,377+201	6,204+84	23
Andaman and Nicobar Islands	6,510+40	6,213+38	83+2
Lakshadweep	4,395+193	3,290+119	13